# শগোলবন্দগী এম এল এনা 'গো টু লৈকায়' হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস) : লৈকায় চৎলু, যূমথোঙ খুদিংদা অনৌবা মঙাল পীরদুনা এম এল এগী তেংবাঙ পীরসি হায়বা থৌরম অমা শগোলবন্দ এ সীদা মসিগী এম এল এ আর কে ইমোনা হৌদোকখ্রে।



থৌরম অসি শগোলবন্দ থিঙোম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা হৌদোক্লদুনা এম এল এনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা হার্ট/কেন্সর পেসেন্টশিং অমসুং কনাগুম্বশিংনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরকপদা এম এল এগী তেংবাঙদগী লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

থৌরম অসি হৌদোক্লদুনা এম এল এ আর কে ইমোনা হায়, লৈকায়গী মফম খুদিংদা চৎতুনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং লৌমীন্নবা অমদি মীপূম খুদিংদা হকথেংননা ফংহন্নবগী পান্দমদা 'গো টু লৈকায়' হায়বা থৌরম অসি হৌদোকপনি। মসিগী মনুং চন্না এম এল এগী তেংবাঙ হায়বসিনা মহাক্কী মায়কৈদগী পীগদবনি হায়খি।

হান্নদগী হৌনা তেংবাঙ অসিদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিং য়াওনা মীওইশিংদা পীদুনা লাক্লি। মীওই অমমমদা লুপা লিশীং ২০/২০ পীরকপনা মীওই ৭৫ শুরে। অদুবু ৱাংহৌবা ইমুং ১৬তনা ঙসি খূৎশিন্নবনি। চহী ৫ চূপ্পা মীয়ামগী থৌগল লেপ্পুনা তৌজগে, মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু অমসুং মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগা শম্নরগা থবক তৌরকপা অমদি পীরিবা স্কিমশিং হকথেংননা ফংহন্নবা হোৎনরকপদগী মহাক্কীসু শগোলবন্দগী মীয়ামদা ফংহনবা ঙম্নবা থবক পায়খৎলকপনি।

ঙসি হৌদোক্লিবা থৌরম অসি মখাতানা চথবগা লোয়ননা থা অসিগী ২০দা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক ৱার্দ নম্বর ১৭তসু পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৫দনা ৱার্দ নম্বর ৮ কাঙবম লৈকায়দা পাঙথোক্লবা মতুং থা অসিগী ২৯দনা ৱার্দ নম্বর ২৬ কাখুলোংদা পাঙথোক্কনি। অদুগা ৱার্দ নম্বর ১০দগী হৌরগা মথং মথং লৈকায় লৈকায় থুংননবা চৎকনি হায়খি।

থৌরম অসি শগোলবন্দগী কাউন্সিল্লরশিং/মেম্বরশিং/শগোলবন্দ প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিগা পূন্না নকশিন্ননা থবক তৌদবা য়ারক্তবদগী চঙশিল্লকপনি। মন্দলগী ওইনা লৈরিবশিংনসু শরুক য়াদুনা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক্লা পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং ফংবদা চিংথ নাম্বা য়াওরবসু দোক্যুমেন্টশিং শেম শারগা পীবিরকউ হায়খি।

কোভিদকী পোজিটিভ কেস খরা হেনগৎলক্লে অদুনা ভেক্সিনগী অহানবা দোজদগী হৌরগা কাপ্পিংবশিংনা কাপ্লবগীদমক শেম শারগনি। ৱিদো পেন্সন অমসুং ওল্ড এজ পেন্সন কার্দ অসি স্মার্ট কার্দ ওনখৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মীৎ লায়েংবা অমসুং অঙাংশিংগী ওইবা লায়েং কয়াসু পাঙথোকপা হৌখ্রে হায়রদুনা এম এল এগী তেংবাঙ অসি খক্তা নত্তনা সী এম ঐচ টি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা কান্নবশিং পীনবগী কার্দশিং শাবগী থবক চথুরি হায়খি।

# দ্রামা উৎপীদুনা ফোক দ্রামাগী ফজবা লোলশিং মাঙদনবা হোৎনবীয়ু ঃ মেঘচন্দ্র কোংবম

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস) : হৌজিক্তি দ্রামা উৎনদ্রবনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা দ্রামা য়েংবা ফংনদ্রে। মরম অদুনা নোংমাইজিং খুদিংগী হান্নগুম্না দ্রামা উৎপীয়ু হায়না হান্নগী দি আই পি আরগী দিরেক্টর ওইরম্বা ফিল্ম ক্রিটিক মেঘচন্দ্র কোংবমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এম দি যুগী হোলদা শঙ্গিট নাটক একাদেমি (ন্যু দেল্লী) গী শেন্থং মখাদা পুথোকপা ব্রজবাসিময়ূম জুগোলচন্দ্রনা ইরগা দিরেক্সন পীবা দ্রামা 'হাওবা কোনু' গী প্রেমিয়র শো উৎপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, হৌজিক্তি দ্রামা উৎনরক্তবনা য়েংবা ফংনদ্রে। মরম অসিনা টিকেট মমল লুপা ১০০/২০০ ওইরবসু দ্রামাশিং চাং নাইনা উৎপীয়ু। অহানবা হৌগৎলকপদা য়েংবা লাকপা য়ামদবা য়াই অদুবু লেপ্পুনা উৎলক্লগদি শোয়দনা য়াল্লক্কনি। দ্রামানা খুন্নাইদা এদ্যুকেসন পীবনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবত ফাওবনা দ্রামা লিংখৎতুনা মশামকসু শরুক য়ারল্লিবনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লানগাইনবা মতমদা দ্রামানা অৱাবশিং পোথাহনখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা দ্রামাদা নোংগা চুরকপা য়াওরকপদা অঙকপা পোক্লিবনি হায়খি।

দ্রামা য়েংলগদি মসিবু করিনো হায়বদু খঙবা ঙম্মী। দ্রামাদুদা উৎলিবশিংনা এৱ্যেনর্নেস পী হায়খি। দ্রামাগী মশক খুন্নাইগী মরু ওইবা অমনি। দ্রামা অসি থিএটর নত্তবদৌনা খনবসু লাল্লি। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, ন্যু দেল্লীদা উৎলিবশিংসু স্ক্রিন চিংলগা শান্নবনি। ফোকতা শান্নরম্বা দ্রামাশিং হৌজিক তৌনদ্রে। ফিল্মদা পুথোরকপা মতমদা ফোককী ৱারীশিং লোল থৈবদৌনা তৌরে। ফোক দ্রামাগীসু ফজবা লোল কয়া লৈরি। মসিবু মাঙদনবা পুথোক্তুনা উৎসি হায়খি।

থৌরম অসিদা এম দি যুগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম কেসোরামনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা দ্রামাদা উৎলিবা নুংগী ওইবা ৱাফম অদুনা দ্রামা অদুগী মনুংদা করি চেল্লি হায়বদু ঙসিগী মীরোলনদি খঙদ্রে। মালেমদা ইন্টলেকচুএলশিংনা মণিপুরগী দ্রামা খঙদবা য়াওদ্রিবনি। দ্রামাদা ফোকতগী থৈথরক্লগা মোর্দনলোমদা সুম চৎখিবদগী ফোক দ্রামা থৈদরক্লে। হৌজিক্তি দ্রামা য়েংবা অমদি য়াওবগী মহুত্তা দ্রগতা ওইনা চৎখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবা সরতচান্দ থিয়ামনা ঐখোয়না ঐখোয়বু মশক খঙদ্রগা করম্না ঐখোয়বু মশক তাক্কদৌরিবনো। ঙসি তৌরল্লিবা থবকশিং অসি তুংগী মীরোলগীনি। ঐখোয়গী ফজবা লোল, ৱাহৈগী ফজবা কয়া লৈরিবসি ফোক দ্রামানা উৎলিবনি। ফজবশিং অসি মফম চানা ফজনা শীজিন্নদ্রগদি মাঙখিগনি। মিঙ্গৌগী ওইবদসু ফজবা কয়া লৈজরক্লিবশিং শীজিন্নদবদগী হৌজিক্তি ঐখোয়গী ইন্টিগ্রিটিদা মাঙলক্লিবনি হায়খি।

## লেম্না পীরবা ফাওবদা...

*লামায় ১গী মখা...* শাংদোকহল্লকপা য়াই হায়খি।

কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লনবগীদমক মীয়াম্না পীরকপা ৱাখল লৌশিং পূম্নমক লৈঙাক্লা তরাম্না ওকই হায়রদুনা মীয়ামগী মতেংদগী মমাঙদসু কোভিদ পেন্দমিক লৈঙাক্লা মায়োক্লবা ঙমখিবনি হায়খি। অদুগা হৌজিকসু লায়না অসিবু অমুক হন্না মায়োক্লনবগীদমক মীয়ামগী মতেং মথৌ তারি হায়খি। ঙসি কোভিদ প্রিকোসন দোজ লেম্না কাপ্পগী থৌরম হৌদোকখিবা অদুদা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জন, সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো মীতৈ অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা 'দিষ্ট্রিক্ট এজ এক্সপোর্ট হবস স্কিম' গী মখাদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী কন্সলটেসন্স মীট অমসু হৌদোকখি।

## চ্যেরপর্সন, মেম্বর অমসুং ...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোকহল্লকখিবনি।

লোয়ননা জন্যুৱারী ৪, ২০১৮দা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিবু কম্মিসন অসিগী মেম্বর অমখক্তমক ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবগা লোয়ননা চ্যেরপর্সনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা অয়াবা পীরকখিবনি। অদুবু মহাক্কী মতম মথং থাগী ৩১ (ওগষ্ট ৩১, ২০২২) দা লোইরে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

মেট্টর অসি ঙসি চীফ জষ্টিস অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল ওক্রম ন্যুতনকুমার অমসুং ওক্রম কিরঞ্জিৎনা লেপখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা ওফিসল রেসপোন্দেন্ট ৩দা মথং থাগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিসশিং অদু রেসপোন্দেন্ট ৩গী মহুৎ শিল্লদুনা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লৌখি। অদুগা কেস অসিগী 'মেন্টেনেবিলিটি' গী মতাংদা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সন অমা পাউখুম ওইনা সবমিট তৌরক্লবগী মতম পীবিনবা হায়জখি।

কোর্টকী মায়কৈদগী এদভোকেট জেনরেলগী প্রেয়র অদুবু অয়াবা পীরদুনা পি আই এল অসিগা মরী লৈনবা তৌগদবা থবকশিং মথংগী কেস অসিগী নুমিৎতা পাঙথোল্লগনি হায়রদুনা কেস অসি মথং থাগী ১৭তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

## লৈঙাক্লা কম্মিসনবু ফাগি তাহনদৌরে...

*লামায় ১গী মখা...* মসিগী ফংফম থোকপা রাইটশিং খোঙ্গাওনরে হায়খি।

হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা য়াইস্কুল এ সীদা মীরেপ ওইখিবী থৌনাওজম বৃন্দাবু শৌগৎতুনা ইলেক্সন রেল্লিগী থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবা যূমখাইবম বিমোল মৈতৈবু লিলোং পি এসনা এফ আই আর অমা পানশিন্দুনা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে ৱাই কে এলগা মরী লৈনবা/ওভরগ্রাউন্দ ৱার্করনি হায়না মরাল পীশিন্দুনা ফাজিনখি অদুবু মহাক্কী মচানুপীনা কম্মিসনদা ৱাকৎলকপদগী হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লুবদা কোর্টনা বিমোলবু মরাল লৈতে হায়না জজমেন্ট পীখি। থৌওং অদু ইলেক্সনগী রেল্লিদা ৱা ঙাঙলুবখক্কীদমক মহাকপু মরাল শীজিনখিবনি হায়খি।

লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি (কাদা) গী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম হেরোজিৎ এলিয়জ শিন্থা কৌবা মীওই অসিনা লুখোসৈজৌ থাদোকখিবগী মতাংদা হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দা য়ানীংদবা উৎপা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারুবগীদমক থৌবাল পুলিসনা এফ আই আর অমা পানশিন্দুনা মহাকপুসু ফাজিনখি।

লোয়ননা পুলিসনা মহাকপু লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ যু এন এল এফকা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীখি অদুবু কোর্টতা পুথোরকপদা পুলিসকী মায়কৈদগী মতিক চাবা ইভিদেন্স পুথোকপা ঙমদবদগী মহাকপুসু কোর্টনা থাদোকখি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা পুলিস পর্সনেলশিংনা মখূৎতা লো পায় হায়বগী মতাগুম শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা, লোগী ওইবা মীৎয়েংদা মীবু ফাবা পূনবা তৌবগী মহুত্তা চথুখিবা থৌওংশিং অদুগী চৈরাক ওইনা মীওই অনীসিগী কেস অনীগা মরী লৈননা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং খোঙ্গাওনবগীদমক প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী মতুংইন্না মীওই অনীসিদা থা অমগী মনুংদা ইন্টরিম কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীগদবনি হায়বগী ওর্দরশিং কম্মিসননা থা অসিগী ৫ অমসুং ১৪দা পীখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা মীওই অনীসিদা পীফম থোক্লিবা ইন্টরিম কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি থা অমগী মনুংদা পীদ্রবদি কম্মিসননা হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টতা মরী লৈনবা চে ইদুনা মখা তাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপা পার্টিশিংগী ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈঙাক্তা এন পি পিনা শৌগৎলে হায়বগী ৱাফম ফোংনা লাউথোক্তুনা ঙসি ফাওবদা শৌগৎলকপগা ইরোয়ননা অনৌবা লৈঙাক্কী অহানবা এসেমব্লি মীফমদা ফাওবা রুল্লিং বেঞ্চতা ফমদুনা শরুক য়াখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টি অসিদা মিনিষ্টরিএল বর্থ ফাওবা পীরক্লে। অদুগা ঙরাং চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বোর্দ/এজেন্সীখরগী চ্যেরপর্সনশিং ওইনা এম এল এ ১০বু এপোইন্টমেন্ট পীখিবদসু এন পি পিগী এম এল এ অমত্তা য়াওহল্লকখিদবা অসিনা এন পি পিনা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপদা করি করম্বা অহোংবা লৈবগে নৎত্রগা লৈতবগে হায়নসু হংখি।

লোয়ননা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্লমদাইদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এরেনাদা অহোংবা খরা লাক্লিবা অসিনা এন পি পিনা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপদা ইথিল পীব্রা হায়বা ৱাহংসু হংখিবগা লোয়ননা হান্নদগীসু শৌগৎতুনা লাক্লিবা এন পি পিনা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মীরেপ দ্রৌপদি মুরমুদা ভোট লোইনমক পীগদ্রা হায়দুনা হংখিবদা মহাক্লা মসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টিগী ওইবা অনৌবা মীফম্নচিংবা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি হায়রকখি। অদুবু অথুবা মতমদা পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং এম এলএশিংগা উন্নদুনা তৌগদবা নৎত্রগা তৌরোইদবগী মতাংদা ফিরেপ অমা লৌরবা য়াই হায়রকখি।

এন পি পিগী মথংদা পাউচে অসিনা জে দি -যু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমগসু টেলিফোনগী খূৎথাংদা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল পোল অসিদা পার্টি অসিনা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলক্লিবনা দ্রৌপদি মুরমুদা পার্টি অসিগী এম এল এ ৬ মক্লা ভোট অদুমক পীগদ্রা হায়নসু হংখি।

ৱাহং অসিগী পাউখুমদা লুচিংবা অসিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্তা জে দি - যুগী মায়কৈদগী শৌগৎতুনা মপাং ওইনা চৎমিন্নরক্লিবনিনা মহাক্কী পার্টিগী ওইনদি বি জে পিগী মীরেপ অসিদা অদুমক ভোট পীগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা পুথোরকপা মীরেপ অসিদা ভোট পীবা নৎত্রগা পীদবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি জে দি - যু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওইনা করিমত্তা খন্নবা লৈত্রি। লোয়ননা পার্টিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংগী মায়কৈদগীসু করিমত্তা হায়রকপা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা বি জে পিনা সিট ৩২গী মপু ওইরিবনি অদুগা লেমহৌরিবা সিট ২৮গী মনুংদনা এন পি পিগী সিট ৭, জে দি - যুগী ৬, এন পি এফকী ৫, কোংগ্রেসকী ৫, কে পি এগী ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টগী সিট ৩ ওইরিবনি। অপূনবা সিটশিং অসিগী মনুংদগী কোংগ্রেসকী ৫ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ১ নত্তনা লেমহৌরিবশিংদি লৈঙাকসিদা শৌগৎলক্লিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ভোট থাদগদবা ইলেক্টোরেল কোলেজগী অপূনবা ভোটরশিংগী মনুংদগী চাদা ৫০গী মথক্তা দ্রৌপদি মুরমুদা ভোট পীরক্তুবদি মায় পাক্তবগী ফীভমদা লৈরিবনি। অদুগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিং থারগা পার্টিগী এম পিশিংগগী ভোটশিং পুল্লপ তিনশিন্নবদা চাদা ৪০ ফাওবদি ইরায় লায়না ফংবা য়াবগী ফিভমদা লৈরিবনি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী কারকপা এম পিশিংগী অপূনবা ভোটকী ভেল্যুনা ৫,৪৩,২০০ ওইরগা মীখল অসিদা ভোট থাদনগদবা ইলেক্টরশিংগী অপূনবা ভোটকী ভেল্যুনা ১০,৮৬,৪৩১ ওইরিবনি। অপূনবা ইলেক্টরশিংগী ভোটকী ভেল্যু অসিগী মনুংদগী দ্রৌপদি মুরমুনা মায় পাক্নে হায়রবদি তঙাইফদনা চাদা ৫০গী মথক্তা ফংবগী মথৌ তারিবনি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৮৩°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.২৭°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 80.348591 |
| US Dollar | 79.784808 |
| British Pound | 94.463599 |
| Australian Dollar | 54.014036 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.810173 |
| Japanese Yen | 0.575151 |
| Malaysian Ringgit | 17.933075 |
| Singapore Dollar | 56.914553 |
| South Korean Won | 0.060228 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.275949 |
| Thai Baht | 2.176505 |

GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-14-06-2022,**
VALID FROM 05-06-2022,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU**
**B/UPTO-10-6-2022**
V/frm-01-6-2022
**Stk-306.**
Only home delevery call -7629966437. 9am to 2pm.
**TDK GAS**
**BK. UPTO 17/05/22.**
VF.15/05/22.STK.306.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8831992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Booking- Upto date .
New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 01/07/2022
**BOOKING UPTO: 05/07/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## ইরাক্লবদা নুপামচা ২ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচএনএস) : হৈঙাং পি এসকী মনুং চনবা কাইরং মৈতৈ মমাঙ লৈকায় মপাগী ইম্ফাল তুরেলদা ইরোইখিবা নুপামচা ৫গী মনুংদা লাইফম খুনৌ খোংসাই ভেঙদগী লেনলেটকাই তাওথাং (১০) অমসুং ঙাংসোন লুংদিম (১১) কৌবা নুপামচা অনী কলহৌবা ঙমদনা ইরাক্লদুনা শিরে হায়রি। থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তারকপদা থোকখিবনি অদুগা মখোয়গী হকচাংনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

## দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীয়ামগী নুমিৎ...

*লামায় ১গী মখা...* ৯৮৬৩৩৫৫৪৩২৯দা খঙহল্লকপা য়াগনি হায়রি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দেপ্যুটি কম্মিস্নর পৱন য়াদব অমসুং এ দি এম নিংরৈঙম লৈসাননা শরুক য়াদুনা থৌরমশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ওল্ড দি সী কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু থৌরম অসি থা খুদিংগী অহুমশুবা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কনি হায়খিবগা লোয়ননা করিগুম্বা নুমিৎ অদু ছুটি ওইরগনা মথংগী নুমিৎতা পাঙথোক্কনি হায়খি। মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎশিং ৱাটসএপ নম্বর ৭৬৪১৮১২০৮২ নৎত্রগা ঈমেলদা খঙহল্লকপা য়াগনি হায়রি।

চান্দেলগী ওইনসু নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপপরজ হোলদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর রাজকুমার ময়াংলম্বমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংনা মীয়ামদা কান্নবশিং ফংংহনখি।

## কংলা মমাঙদা...

*লামায় ১গী মখা...*অপূনবা লূপকী লিচিং মখাদা হৌখিবা ঈহৌদুগী পান্দমদি মণিপুরদগী অফস্পা পূমলৌ লৌথোকপনি হায়খি। শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী অৱাবা মায়োক্লহৌরবা মীওইশিং অমসুং লুখ্রাবী ওইহৌরবী কয়ানা হিংবগী হক হায়বসিদা কখোক্তুনা হাৎখ্রবা মীওই ১৫২৮গীদমক লৈবাক অসি খক্তদা নত্তনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কোনুং ফাওবা য়ৌদুনা হিংবগী হক হায়বসিদা থেংনদুনা লৈরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন খাঙেম্বম আনন্দিসুৱা ঙাঙলদুনা য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেন মীতৈ, ইভফমগী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম রেনু, তাঞ্জুল সনাওলোংগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পি ভেরোনিকা জিংখাই, থাওগী এদভাইজর খুমুকচম মোমোন, থানিলগী ভি পি কাব্রবম মঙ্গিস্নাসু শরুক য়াখি অদুগা পান্দমগী প্রসিদেন্ট যুম্নামচা দিলিপকুমার, কোহরগী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সম অমসুং ঐচ আর এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

# কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদা চহী ১২গী...

*লামায় ১গী মখা...* পোজিটিভ কেস ১৩ থেংনরে হায়রি। অদুগা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ১২ খক্তমক ঙাইরিবা নুপামচা অমসু য়াওই হায়রি। অদুম ওইনমক হেল্থ সর্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম শসিকুমার মঙাংগী ঙসিগী রিপোর্টতদি জেনিমসতা থেংনবা পোজিটিভ কেস ১১ খক্তনি হায়রি।

রিপোর্ট অনীসিগী মরক্তা জেনিমসতা থেংনবা এক্টিভ কেসকী মশীংদা মান্নরক্তবনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নুংতিগী থেংনবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্মনবদগী মীয়ামদা মীপাইবা পোক্তনবা মশীং খরা খরা ককথরগা ফোঙদোক্লব্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে। নৎত্রগনা জেনিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর অমনা পীরিবা রিপোর্ট অসিগা হেল্থ সর্ভিসেসকী রিপোর্টকী মরক্তা করম্বনা অচুম্বা ওইগদৌরিবনো হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১২গী সেম্পলশিংদা বিষ্ণুপুর ২০, চান্দেল ১৬, চুড়াচান্দপুর ১৬, ইম্ফাল ইষ্ট ১১৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৫৩, জিরিবাম ১৫৯, ককচীং ২৮, কাংপোকপী ৭, ফেরজোল ৩, সেনাপতি ১৪, তমেংলোং ৩, থৌবাল ৪০ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২৬গা পূন্না মীওই ৬০১গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস ৮৯ থেংনখিবগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ১৩.৬ লৈরম্বদু ঙসিদি চাদা ১৪.৮ য়ৌরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৮৯ অদুগী মনুংদা পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৯, থৌবাল ৫, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ৭, সেনাপতি ১, জিরিবাম ২, তেংনৌপল ১, উখ্রুল ২, কাংপোকপী ১, চুড়াচান্দপুর ১ অমসুং চান্দেলদগী মীওই ১নি হায়রি।

অদুম ওইনমক মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

মসিগা ইরোয়ননা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদবনা হান্নদগী লৈরকপা অপূনবা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী হেনগৎলকপা লৈত্রি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৩৭,৭৭৯ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩২,৭৬৫নি। অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,৩৫,২৭৪নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,২৬৭ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.১৮দা হন্থরক্লে।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্পুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৯৯, বি টাইপ ১৯নি । অদুবু এক্টিভ কেসশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্না নেম্না হন্থরুবদগী জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্ননা খাক্তুনা থল্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭ ওইরম্বদু জেনিমসকীদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ফমুং ১৮দা হন্থহনখ্রগা রিমসকীদি ফমুং ৪৭ অদুমক খাক্তুনা থল্লি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং ৩৮৫ শুরকপদগী জেনিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক খাক্তুনা থল্লকপা ফমুং ১৮ পেসেন্টশিংনা পীক থল্লে। অদুগা রিমসকী ফমুং ৪৭কী মনুংদনা পেসেন্ট ১৫ লৈবদগী হাঙদুনা লৈবা ফমুং ৩২ খক্তা ঙাইরে হায়রি।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ৩০২৭ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৯,৯৬,০৬৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৬,০১,৪৩৯নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৭০,১৭৯নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোল্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২৪,৪৫০নি হায়রি।

অদুগা জুলাই ১৪, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোল্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৯৪, অনীশুবা দোজ ৬১.৩৬, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২৭, অনীশুবা দোজ ৭০.১৫, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬৩.৫৫, অনীশুবা দোজ ৬১.০০, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.২৭, অনীশুবা দোজ ৬৫.৩৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৮৪, অনীশুবা দোজ ৬৮.২৯, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৬.৪৪, অনীশুবা দোজ ৩১.৫০, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩৮, অনীশুবা দোজ ৩৫.৮০, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.৩৪ অনীশুবা দোজ ৫৩.৭৩, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.২৮, অনীশুবা দোজ ৩১.৮০, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪৮, অনীশুবা দোজ ৩৮.১১, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৮৫, অনীশুবা দোজ ১৭.৬৫, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৬৮, অনীশুবা দোজ ৩১.০৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৮, অনীশুবা দোজ ৬১.৭৪, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.৭৮, অনীশুবা দোজ ৩৯.৪৭, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৬, অনীশুবা দোজ ৩৪.৮৩, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩৬, অনীশুবা দোজ ৬৭.৮০নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬২.০৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোল্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.৪৬নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

